হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, ওক্টোবর ২১, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২০৬শুবা মশীং

# পুলিসকী থৌদাং চাওই

## লৈবাক ৱাথোক ওইরকহনগুমসি

হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট গৱর্নমেন্টকী মেছিয়রি, ওর্গেনাইজেসন, ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংগী মনুংদা খাইদগী লিরবা শঙলূপশিংগী মনুংদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টসু অমনি। হৌখিবা ওক্টোবর ১৯, ২০২১দা মণিপুর পুলিস লিংখৎলকপগী ১৩০ শুরকপগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রিবনি। চহী য়াম্লকপা, কুইরকপগী হৌনবা ওর্গেনাইজেসন অসি হৌজিক মতমসিগা চুনবা, খম থেংনা চাওখৎলবা মোদর্ন পুলিস অমা হায়বদু চপ চানা ওইরক্লবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিমক মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা লৈরিবা ওফিসর, পর্সনেলশিং খক্তা নত্তনা ষ্টেটসিগী মীয়ামগী ওইনসু অফবনি, কায়বনি। লোয়শঙসিনা লৌরকপা থৌদাংশিংদগী হৌজিক ষ্টেটসিদা অন-লোফুল এক্টিভিটিশিংগী মশীং হস্তুরক্লে। লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানবা য়ানা ফগৎলে। পুলিস অমসুং পব্লিককী মরক্তা লৈনগদবা তৎন-থানবা য়াদবা মরীসু হেয়া চেৎশিনহনবগুম তৌরক্লে। ওইরিবা ফীভমসিদগী তুংলোমদা হস্তহনদনা লেংদনা থম্বগা লোয়ননা মসিদগী হেয়া ফগৎহল্লকপা ঙম্রগদি অমুক্তা হেয়া মীয়ামগী য়াইফবা ওইগদৌরিবনি। অদুবু মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেসন অসি হীরম খুদিংমক্তা ফগৎলে হায়রগসু পুলিস ষ্টেসনশিং, দিপার্টমেন্ট অসিগী অতৈ য়ুনিটশিংনা মরী লৈনবা লোগী সেক্সনশিংগী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী মনুংদগী খরদা পুলিসকী মায়কৈদগী তৌফম থোকপা, লৌখৎফম থোকপা থবকশিং তৌথোরক্তবা, লৌখৎলক্তবা হেক-হেক থেংনরকপা য়াওরকই। মসিদি থেংনরকহনফম থোক্তবা থৌদৌনি হায়নীংই। মরমদি দিপার্টমেন্ট অসি লো এনফোর্সিং দিপার্টমেন্টনি। লৈবাকসিগী লো লৈ, চৎনরি, লৈরিবা লোশিং অসি থুগাইবা য়াদে, ফিজি ফিনা নেৎলুবা য়াদে হায়বসি খঙহনগদৌরিবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা পুলিস ওর্গনাইজেসননা মপুং ওইবা শরুক য়ারিবনি। মরম অসিনা নিংথৌদসু মৈতাল ৱাংলি হায়বগী হায়নবা লৈরবসু পুলিসকী মথৌদদি শরুক শিবা অমসুং অহোবাংখি লৈহনফম থোক্তে হায়নীংই।

অদুবু হৌজিক দিপার্টমেন্টসিগী মখাদা চীং অমসুং তমগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী মনুংদা খরদদি মখোয়না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী মতাংদা চহী য়ামশিল্লক্লবসু ইনভেষ্টিগেসনগী থবক মপূং ফানা লোইশিন্দবা, ৱায়েল চথুগদবা কোর্টতা কেস অসিগী থাগৎলকফম থোক্লবা চার্জশীট লোনা পীবা মতমগী মনুংদগী লাম্হোরক্লবা ফাওবদা সবমিট তৌরক্তবা, কেস অমগী বুক তৌফম থোকপা কলপ্রিট (একুযইজ) শিং ফাগৎতবা, শিজ তৌফম থোকপা কেসকী পোৎলমশিং ফাদবগী থৌদোকশিং থেংনরি। অসিগুম্বা অশোনবা নৎত্রগা অশোয়বশিং অসিনা মরম ওইরদুনা কেস অদুগী একুযইজশিংগী মথক্তা মতম চানা প্রোজিকুযইট তৌবা ঙমহন্দে। একুযইজশিংদুনা কম্মিট তৌরুবা ক্রাইম/ওফেন্সতুগী মতুংইন্না ফংহনফম থোকপা চৈরাকশিং মতম চানা ফংহনবা ঙমদে। মসিনা একুযইজশিংদুদা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক মতম চানা ফংহন্দবদা নত্তনা কেসতুগী মরমদা ময়েক শেংনা খঙদবা মীয়ামদদি লো কোর্টশিংবু লান্না উহল্লি। লৈবাকসিগী শেমদুনা চৎনরিবা লোশিং মুশি-মুশিনা উহল্লি। লো-এনফোর্সিং এজেন্সী অসি খক্তা নত্তনা ৱায়েলশঙশিংবু থাজবগী চাংসু হন্থহল্লকই।

অসিগুম্বা থৌদোক ময়ামগী মনুংদা অমখক পনবা য়াবদা ঙসিদগীনা চহী ২ হেনবগী মমাঙ কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ৬কী অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা কুম্বী সেতুপুর ময়ায় লৈকায়দা থোকখিবা থৌদোক্কী কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রবসু কেসতুগী চার্জশীট হৌজিক ফাওবদা মরী লৈনবা ক্রিমিনেল কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলক্তবা অসিনি। থৌদোক্তু চাকখুমদা চাক চাদুনা লৈবা মীওই অমবু মীওই খরনা চাকখুম্মাংদগী চিংথোক্লগা মশামক্কী থোঙ্গালদা মঙক কক্তুনা হাৎখিবনি। থৌদোক্তুগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বরনা ১২ (৮) ২০১৯নি। কেস অদু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২গী মখাদা লৌখৎপনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা চার্জশীট থাগৎলক্তবদগী ফাজিন্দুনা জেলদা থল্লুবা ম্যেন অমসুং কো একুযইজশিং বেলদা লোইনা থাদোরক্লে। মসিদগী নাকল অনীগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অমুক থোরক্কদৌরে। মসিদি চুমদে। অদুবু চুমদ্রবসু ফীভমসি ওইহল্লকপনিনা করিগুম্বা মতমদা পুলিসনা তৌগদবা মরাল লৈরবশিং ফাবা, কেস লৌখৎপা ফাওবগী দিমান্দ মীয়াম্না তৌনরকপা য়াওই। মসিদং থোকহন্দবা ঙম্লগদি পুলিস দিপার্টমেন্টকী মশক সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম থোকহল্লগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮

১) *“জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা”* হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো?

২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **“রবীন্দ্র লৈচল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু।

৩) ***“ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা”*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্পা তোপ্পা ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।”*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো?

৫) ***“লৈপাক্কী মুর্তি”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৪৮

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পুন্সি হায়বসিদি নুমিৎ খুদিংগী থৌদোক ময়াম অমনা য়োমদুনা লৈ। অদুগুম্বা নুমিৎ কয়াশিংদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুনা পুন্সিগী মশক অমা শাগৎপদা অচৌবা মচাক ওইরিবনি। অদুগুম্বা থৌদোক কয়াশিং অদুগী মনুংদা, পুন্সিদা হকচিনবা কাউঙমদবা কয়া অমসু লৈ। নীংশিংবা কয়াশিং অদুগী মনুং থিৎপা কান্নবা কয়া অমা লৈরি। মীওইবা অমগী পুন্সি অমদা নুংঙাইরবা মীকুপ কয়া, অৱাবা মীকুপ কয়া, মায় পাকপা-মায়থীবা মীকুপ কয়া কয়াশিং অদুনা মীশক অদুগী পুন্সি মপূম অমা ওইরিবনি। ঐগীসু অদু মঙাই, ওন্থোক্লা য়ামখ্রবা ৱারী ময়াম অমা লৈরি।

পুন্সি অমা হায়বসিগী তাঙ্ককশিং খাইদোক্তুনা লৈ। পিক্তা পিক্লিঙৈ, লৌশিং কাবক-কাবক তারকঙৈ, মপূং ফাজিল্লকপা মতম, মথোৎ কারকপা মতম, যূম্বাল লম্বীদা লাকপা, ইচা য়াওরকপা, ইচাশিংগী তাইবঙপান অমা শেমগৎনবা হোৎনরকপা, অদুদগী অমুক ইশুশিংগী কুম্মৈ য়েংবা তাঙ্কক কয়াশিং অসি ঐ থেংনরক্লে। মথোৎ কারকপগী মতম অসিবুসু মঙ্গে থেঙ্গুনা য়ৈশিন্দুনা থম্বা য়াবা নত্তে। মসিগী মতম অসিবুনি পুন্সিগী য়েনিংথা হায়নরিবসি। য়েন্নিং মতমদবু অনৌবা য়েন্নিং চোংদবা হৌনদেদনা। ঐগীসু অনৌবা য়েন্নিং ময়াম অমা চোংখি। চোংলকপা ময়োল কংদুনা মাঙখিবা, কাবক কাবক লৈশাৎ তল্লকপা অদুদগী অরেম্বদা কেন্দুনা মাঙনখিবা, মীৎয়েং মীৎলমদগী কেনখ্রবা ময়োল অমগী লৈনা অমত্তা থম্মোয়গী কাচিন্দা য়োকশিন্দুনা থমখিদে। নীংশিংবগী থোঙনাওদা লিশাং শিৎনা থমজরক্লিবা পাউদমশিং অসি ঐগা শুমাং লীলাগগী মরক্তা থোকপা থৌদোক ঙাক্তা ওইজবনিনা অদোমদা নকশিন্না খরা থমজগে।

মতম অমা ঐখোয়না য়াম্না পোপ্যুলর ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা মতম অসিদা মৈতৈ তাবা থংনবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ইপাচাশিং পূম্নমক্কসু ঐখোয়বু উজনীংবা অমদি ঐখোয়গী লীলাবু য়েংজনীংবদগী তোয়না তোয়না কৌবীবা লাকই। অদুবু ঐখোয়গী গ্রুপ অসিদি লাপ্লা চৎতুনা লীলা শান্নবগী খুদোংচাবসি কয়া ফংদে, মরমদি প্রোগ্রামসি অসুক্কী মতিক য়াম্না থাক কয়া কয়া চোন্থনা লৈখি। অনৌবা লীলা চেবাউ অমা লাকপদা ঐখোয় পাক শান্নবা ঙমদে। অদুবু নুংথিলদা, অঙনবদা শান্নবা নত্তনা নুমিদাংগী মতমদগদি ঐখোয় প্রোগ্রাম লৌবা ঙমদে। হান্নদা লোইনা লৈশিনখিবনা অনৌবা অমা লৌবগী খুদোংচাবা লৈতে। য়ামদ্রবদা ঐখোয়গী লীলাসি থা অনী নৎত্রগা অহুমদি নুমিৎ খুদিংগী পরেং লেংদুনা অদুম লৈ। অদুনা কছার, অসাম, ত্রিপুরানচিংবা মফম কয়াদা লীলা কৌরকপদা চৎনবগী খুদোংচাবসি কয়া লৈতে। অদুবু চহী অমদা অখন্নদা মাঙজৌননা হায়নদুনা মতম কনশিল্লগা য়াল্লবদা নুমিৎ অহুম নৎত্রগা মরিনিগী নুমিৎ কনশিল্লগা থম্মী। অদুগুম্বা মতম অদুদা অকক্লবা নুমিৎ খরগীদমক ঐখোয় চহী অমদা অমুকরক খক হেক হেক চৎলি। কুম অমা কছাররোমদা লীলা চৎলি। মদু সিঙ্গরবোন্দ, লখিপুর অদোমদা মরী মরী চৎপনি। য়াম্না নুংশিবা, কাউবা ঙমদবা ৱারী অমখক লৈ। ৱারীসি হৌজিক্তগদি তাবদা য়াম্না নোক্লিংবা অমা ওইনা থোক্লনি। নুংশি নুংওনগা মরী খরা লৈনবা ৱারীনি। সিলচরগী রোঙপুরদা লীলা অমা উৎলম্লগা সিঙ্গরবোন্দ লোমদা লাকপদা হায়রিবা মফম অদুদা থেংনবা থৌদোকনি। ঐখোয়না লীলা শানগদৌরিবা মফমদু মান্দোপ অমদনি। পুঙ্কক চাওরবা মান্দোপনি। মদুদগী অমুক মায়কৈ মরিমক্তা ৱানা মখোঙ পান্দুনা উয়ুং য়ুংলগা মান্দোপতু চাওথোকহল্লি। মদুদা চ্যের ময়াম অমা থাদুনা টিকেট য়োন্দুনা নুমিদাংদু লীলা শান্নগদৌবনি। অয়ূক্তা থুংবদুদগী চাক থোংদুনা চারে। যূম অমদা ঐখোয়গী থুংফম ওই। শঙ্গোয় অমদা তরূ-তনান্না ঐখোয়গী পোত্থাফম শেন্মী।

মীগী মীৎলম থিংবসিমদি কনানসু ঙম্নদেদনা। লৈশাবী তনৌ-তনৌবী অমনা ঐঙোন্দা ফজনা হেক্তা লোন্না লোন্না য়েংবনি। মাই মতৌদুদা ঐসু নুংঙাইবা অমা য়াওদুনা য়েংঙে, য়েংনরে। য়েংনরম্বদগী চিন্দা নোকফেৎ তৌনবগসু য়াওরে। ৱাদি ঙাঙনবা অমত্তা নত্তে। নোকফেৎ তৌনবদৈদি, খরা নকশিন্নবদৌনা তৌনরে। কাউদ্রি, শুমাং মতোন অদুদা কিহোম পাম্বী শুপ্নগী অমখক হৌরম্মী। পাম্বীদুদা পাল্লম্বা কিহোমদু য়াম্না চাউই। মদু মখোয়নসু চানবা থাবা মান্দে, য়েংনবা থাবা মাল্লি। কিহোমদুনা ইচাউ চাউখৈ ইনখৎলগা পানবদু কয়া য়েংবা নুংঙাইখি। থৌ ইরৈ হেক লৈতখৈ, লৈশাবীদুগী মমিংফাওদি হংলগে খন্দুনা তাঞ্জা য়েংবা ওইনা শাখ্রবা নুংশা মরক্তুদা কিহোমদু য়েংশিন্নবা শাদুনা তাঞ্জা লুম্মী। হা হা হা হা... য়াম্না নোক্লিংই হৌজিক্তদা খল্লুরগা। নুংশাদু ঐখোয় শ্বাইদা শাবদগী য়াম্না হেন্না শাই, পোকখৈ হেক শাই হায়দুনি। ইরুজবগা হুমাংনা মরী মরী হেক্তা চেন্থবীনি। অদুক শাখ্রবদু ঐ শাবা খঙখিদে। লৈশাবীদুসু মোইগী

ইমুং মনুংগী মীগী মীরক-নারক য়েংলগা হেক হেক লিপৎ লিপৎ চৎলি। ঐনা হংখি - *“করি মীং কৌবগে?”* লৈশাবীদুনা শাথীনা ইকায়বা উৎলগা লৎ-লৎ তৌখৈ খুম্মী - *“সঙ্গিতা কৌই (অশেংবা মীংদি হায়জদ্রে, ময়াম ৱারৌবীবা য়াদ্রে)”*। মদু হেক খুল্লকপদৈদি, ঙসাইখৈ তনিক তনিক্লম্বা থম্মোয়সি তুমশিৎ ফারবদৌনা মীৎ-নাগসি খংশিং লোইনা শিংঙে। অদুদৈদি ৱারী খরা অদুম মতৎ মতৎ শান্নরেনে। ৱারীদুমসু অদুম লিথোকচদ্রে, ৱারীবুদি কৈসু নত্তেদা, ময়াম্না অদুম শাগৎনবীরো? লৈশাবী অমগা ৱারী শানবদবু ষণ লৈবগী, দলিল ইনবগী ৱাদি ওইরম্মোইদনা?

য়াম্না কারন তানা ঐনা হংই, *“ইরুজফম কায়দা লৈগে?”* সঙ্গিতানা ইতিং তিংখৈ *“লুজফমদি বরাক্লা নুংঙাইনি”* হায়না থোক খুল্লকই। ঐনা মখা তানা নোৎশিল্লি - *“কদোমদা চৎলগা বরাক তাগে?”* সঙ্গিতানা নোক্লদুনা *“ঐসু বরাক কুমগদবা লৈ তাকচগে”* হায়রগা ইমুংদা থুনা চঙখি। ঐসু শঙ্গোয়দা ঐখোয়গী পোথাফমদুদা চঙলগা ঐগী বেগকী চ্যেনদু চিংথোক্লগা খুদৈ, সাপোননচিংবা লৌথোকপদুদা ঐখোয় পার্টিগী সমিন হায়রপ ফংখ্রবা অমা অনীনা লক্লদুনা মশা নাল্লিদা, নোংমতা ইরুজদবা মানা ইরুজনি হায়রিসি চিংনৈকো। ঐনা লাওহৎলি, *“ৱাথী ঙাঙনুহে”* ঐ থোরক্লগা থোঙ্গাল ময়াগী উরুম অমদা লেপ্তুনা লৈ। সঙ্গিতাদু বালতিন অমনে, খুদেংনে, ফি রোল খরনে পায়রগা মকোক্তুদা ফি অমনা খুম্মগা থোরকই। মা কৈম হায়দে, ঐঙোন্দা নোকফেৎ তৌরম্লগা অদুম চৎখ্রে। ঐসু অদুম মতুং ইন্নে। বরাক য়ৌরে। ইরুজদনা অদুম ফম্মগা ৱারী শানরে, ফনা য়াম শানৈ ৱারীদু, কুইরবৈ তুংদা ঐখোয় পার্টিগী মী লাকই। মোই লুজবা হৌখ্রে বরাক্তা কুম্লগা। ঐসু য়াওরে। তেনখ্রবা মতমদুদা কিসি কিনখিবা, চহী অনীমুক্কা কোয়নরবদৌনা খন্নরকই। নুমিৎ তারে, লীলা উৎলে। মরক্তুদা মীৎয়েংগী লান, মীনোক্কী লান কয়া চথুনখি। নোংঙাল্লে, ঐখোয় মফমদু থাদোক্তুনা চৎপা তারে। সঙ্গিতানা নারোন্দা থোরক্লগা ঐঙোন্দা রুমাল মনম নুংশিবা ফিথুপ নাইনা থুপ্পা অমা পীরকখি। অদুগা কপ্পগা লৈহৌই। ঐসু নুংঙাইতনা অদুম লাকখি। নুমিৎতুদগী সঙ্গিতাদু অমুক্তা উনখিদ্রে। নোংমদি থাজদনা ঐগী ওফিস এদ্রেসতা চিঠি অমা লাকখি, সঙ্গিতাগী ওইরম্মী। মহাক্লা য়াম্না নুংঙাইতনা, মা লুহোংগদৌরে হায়না ইরকখি। মদুদা ঐ নীংশিংলকখি হৌখিবা ৱারীদো। নুংঙাইখিদে, অদুম ৱারীদু লোইশিনখি। সিসু পুন্সিগী কাউঙমদবা চৈনা অমনি করম্না হায়রোইদৌরিবনো?

অমুক্লা য়াম্না নুংঙাইতবা অমগা থোকখি। কৈশামথোং থোইবী হায়বা লীলাদু কন্না শান্নরিঙৈগী, ময়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনরিরঙৈ মতমদা লীলাসি য়াম চৎলি। অঙনবা, অথেংবা য়াম্না শান্নখি। নোংমা ঐ পুকসি লেংখৎতুনা খোঙ কন্না হামথৈ। য়াম্না কন্না হাম্মী। অয়ূক্তগীনি। দ্রিপ অনী/অহুম কাপ্পী, মদুদা কাপখিবদু আর/এল, মেত্রোন, ৫% দেক্সত্রোস অদুগা অতৈ ইঞ্জেক্সন অমা অনী অমগা, খোঙ হাম্বদি কাবক কাবক লেপখ্রে, ইশাদি য়াদ্রে, মীৎকা আ মনুং য়ৌনা চঙখ্রে। লীলাসু নুমিৎতু ৪ লৈবনি। লম য়াম লাপ্পী, অঙনবদা শান্নগদবনি। খোঙ হাম্বদি লিপৎ লিপৎ খরা খরা অদুম হাম্মী। চাবা করিমত্তা য়াদে। অদুনা চাদে। ইলেক্ট্রেল পাওদরদু থিৎ থিৎতুনা লেপ্তুনা থকই। লীলাদি চৎতবা য়াদে, কমদৌনি। ঐগী পাউ তাবদগী লীলা পার্টি পূম্নমক গাড়ী থৌদুনা ঐগীদা লাকই। ঐ কাংশোই মহী খরগা চাক্তু পেৎনা থোংলগা চখোম অমা অনী চারগা দ্রিপতু য়াল্লগা গাড়ী মনুংদা হিপ্পগা লাকই। ঐ দ্রিপ য়ানবদি লেপ্তে। গাড়ীদগী কুমথদ্রে। গাড়ী মনুংদা ঐখোয়গী কাঙবুনা মতেং পাংবীরগা ফৈজোম শেৎপা কৈদৌবা তৌবীরে। লীলাদুদি হৌদবা য়ারক্ত্রে, হৌরসি হায়না তৌরকান্দুদা খোঙসি অমুক কন্না হামনীংলকই। গাড়ীদগী ঐগা মী অমা অনী অমগা শন্মগা যূম অমদা চঙলগা খোঙ হাম্মী। অদুদগী ঙসাইখৈ হামদবনরা কৈনো খঙদে থকখিবা মহীশিংদু লোইনা হামখ্রে। অদুগা ওসু খরা ওথোক্লে। ঐ হীদাকসু অদুম চারি, ওবা য়াওরকপদুদদি ইঞ্জেক্সন অমগা অমুক কাপশিল্লে। মতমনা য়ারক্তবনা দ্রিপ য়াল্লীবদুগী মরীদু শেৎলে অদুগা লীলা হৌরে। ঐ য়াম্না ৱানা লীলা শান্নখি। অহানবা থোকপগী গান ঙাইগী জগোয়দা য়ু ঙাওরগা খুন চঙলগা থোইবী উনবগী সিনদু থোক্লিঙৈ ময়ায়দা খোঙ হামনীংলকপগী মতৌদু কয়া ৱাখি। য়েংলিবা মীশিংদি খঙবা নত্তে। ঐ খাঙবা ঙমদবদগী লীলা ময়ায়দগী থোরক্লগা যূমদা চেনশিন্দুনা খোঙদু হাম্লগা অমুক থুনা চেনশিল্লগা লীলাদু মখা চঠৈ। কয়াদা ৱাখ্রবনো নুমিৎতো? মসিদা ওইরমদৌবদু ময়াম্না শাগৎতুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু। নোকসু য়াম্না নোক্লিংবা অদুগা ৱাবনসু হুমাং কাংবা থৌদোকনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৮৪

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ২২, ২০১০ ইং :-** মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদর অমদি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাধাবিনোদ কোইজমগী থাংমৈবন্দদা লৈবা ময়ূমদা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হনবা অমদি চহী নৌরবা নহাশিং রিক্রুইট তৌবদা চেন্নবা য়াওনা লোনা থিংখ্রবা লূপ প্রিপাককী কেদর ১০ অতোপ্পা কে ৱাই কে এলগী কাদর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারে।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদ ক্বার্টরসতা ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস দি পি ও ইবোমচানা হায়খি, বোম লংশিল্লম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিনিয়র এস পিগী লমজিং মখাদা চথুরকপা থিজিনবগী থবকশিংদা প্রিপাককী কাদর ১০ অমা কে ৱাই কে এলগী কাদর অমা ফাগৎপগা লোয়ননা প্রিপাক্কী মীওই ১০গী মনুংদা রিক্রুইট তৌবদা চেন্নবশিং য়াওরম্বনি।

মহাক্লা হায়খি, থৌদোক থোকপা নুমিৎ অদুমক্তুদা লালহৌবশিং অদুনা শীজিন্নরম্বা হোন্দা এক্টিভা স্কুটর ফংবগা লোয়ননা মথং নুমিত্তা কাচি খুল ময়ায় লৈকায়দগী হৌজিক্লা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদা লৈবা য়ূম্নাম নিংঙোল এলাংবম ওংবী বিলাসিনি কৌবী নুপী অসি প্রিপাক্কা মরী লৈনরম্বদগী ফাদুনা হৌজিক জুদিসল কষ্টদিদা থল্লি। নুপী অসিনা হায়দোরকপগী মতুংইন্না জন্যুৱারী ১০দা ঙাংবম সাগর (২৮) কৌবা শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক অখাম লম্পাক্তগী কাদর অনী ফাখি। সাগর প্রিপাক্কী সেল্ফ ষ্টাইল কোর্পোরেল এলাংবম জয়চন্দ্র এলিয়জ ইনাও এলিয়জ ননাও এলিয়জ পুন্সিবা কৌবা অমগী মখাদা থবক তৌই। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন হেন্দসেট অমা ফংখি হায়খি।

ফারবশিং অদুদি শগোলবন্দ তেরা সয়াং লৈরক্তগী মোইরাংথেম মোনাও এলিয়জ মোহেন এলিয়জ পারিমচা (২৬), লাংজিং অচৌবা মনীং লৈকায়দগী লাইখুরাম মুনাল এলিয়জ সনাথোই (২৪), মোইরাং কম্পু সাজোর মনিং লৈকায়দগী য়াম্বেম ইবুঙোচৌবা এলিয়জ ইবোমচা মৈতৈ (৩৪), ৱাংখৈ থম্বালখোংদগী চোংথাম দেব এলিয়জ দেবানন্দ মৈতৈ (২৯), শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক অখাম লম্পাক্তগী ঙাংবম ধর্মরাজ এলিয়জ নাওতু (৩১) অমসুং লাংজিং অচৌবা মনিং লৈরক্তগী চবুংবম বোইনাও এলিয়জ প্রিয়োকান্ত এলিয়জ জেমসন (২৮) নি। মুনাল অমদি পারিমচা বোম লংশিনবা অদুদা হকথেংননা চেন্নে। পূন্না ফামিন্নরবসু দেবদি কে ৱাই কে এলগী কাদরনি।

মখা তানা জন্যুৱারী ১৯দা ইথাই লাইরোক খুন্দগী হৌজিক্লা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা লৈবা সলাম ওংবী সোসিম (৪৪) হায়রিবী নুপী অসি পারিমোহনননা হায়দোরকপগী মতুংইন্না ফাখি হায়রি। জন্যুৱারী ২০গী তোঙান তোঙানবা পুংফমদা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদগী আর কে সুসিত্রা (৩৮) কৌবী নুপী কাদর অসিগা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দগী খোইস্নাম গুনাবন্দ এলিয়জ জোন এলিয়জ ইবুংঙো এলিয়জ ইবোমচা (৩১) ফাখি। গুনাবন্দগী ময়ূমদগী নাইন এম এমগী পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, মরূ মঙা ফংখি হায়না এস দি পি ওনা মখা তাখি।

আর কে সুসিত্রানা জন্যুৱারী তরুক্কী নুংথিলদা লংশিনগদবা বোম অদু সোসিমদা শিন্নরমখি। সুসিত্রাগী মবুং রোজর এলিয়জ সনা এলিয়জ রমানন্দ প্রিপাক্কী লেফটনেন্টনি হায়বসু খঙলে হায়রি।

ইবোচৌবনা তোপ মোইরাংকম্পুদগী চহী নৌরিবা নহা অমা প্রিপাক্তা পুশিন্নবা থৌরাং তৌরম্মী অদুবু দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা ফারগসু ময়ূমদা শিন্নখ্রে হায়না পল্লদুনা মখা তানা থিজিনখিগনি হায়নসু এস দি পি ওনা মখা তারকখি।

অমরোমদা, থৌবালগী সিনিয়র এস পিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা থৌবাল কম্মান্দো অমসুং ২১শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা অরোং নোংমাইখোংদা থি-হুম্বগী থবক চথুবদা থা অসিগী ২১গী অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা কে ৱাই কে এলগী কাদরশিং চংজফম পীবা অমা ফারে। মমিংনা অঙাংজাও এলিয়জ ময়ায় ইবুংঙো এলিয়জ মোরে (৩৪) অপোকপা তোম্মো কৌই, নোংমাইখোং অৱাং লৈকায়দগীনি হায়রি।

**জন্যুৱারী ২২, ২০১০ ইং :-** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা চুংখাম সঞ্জিৎকী মথক্তা সিটি পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখিবা এফ আই আরসু থৌদোক অসিগী মতাংদা থিগৎলিবা সী বি আইদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শিন্নখ্রে।

সী বি আইগী আই জি পি কম জোইন্ট দাইরেক্টরনা লুচিংবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মমাঙদা সিটি পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখিবা এফ আই আর অদু এজেন্সী অসিদা ট্রান্সফর তৌরগা পুলিসতা সিজ তৌখিবা পোৎলমশিং মখোয়না চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা মথৌ তাই হায়বদগী ষ্টেটনা শিন্নখিবনি।

সী বি আইনা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎনা শিখিবা মফমশিংদা চত্তুনা স্পোট ইনক্বারি তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিকসু মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়রি।

অমরোমদা সঞ্জিৎ মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা অপূনবা লূপ হুন্দুনা ঙাঙখিবা অদু মীওই খরনা মাষ্টরমাইন্দ তৌদুনা খরনা মতেং পাংশিন্দুনা চথুবনি হায়বা খঙলে হায়না সঞ্জিৎকী জে এ সীগী কনভিনর টি ঐচ অনিতাগী চেরোল অমনা হায়রি।

মখোয়দা মীয়াম্না পীরকপা চৈরাক মশানা লৌজগদবনি হায়না পল্লদুনা অপূনবা লূপপু জে এ সী অমদি লৈকায় মরিগী মীয়াম্না শৌগৎকনি হায়রি। ৱাফম অমনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৯দা সঞ্জিৎকী লান্ন-থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি। মসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়না জে এ সীনা আপীল তৌরক্লি।

**জন্যুৱারী ২২, ২০১০ ইং :-** নুপানা নুপী লোনবগী ৱাহৌদগী চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা নুপী অমা মপুরোইবগী ময়ূমদা থৌরি য়াল্লগা শিরম্বগা লোয়ননা মচানুপাগী ইপান থাবগী পোৎ লৈবা চৎখিবা অমসু য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা ইম্ফাল তুরেলদা শিনা ফংখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, ফমদোম নিংঙোল শাদোকপম ওংবী সঙ্গিতা (৩৩) ঙসি অয়ূক অঙনবদা মপুরোইবা রোমান্তা এলিয়জ ইনাওবগী ঘড়ী অৱাং লৈকায়দা লৈবা ময়ূমগী থোঙজিন মনাক্তা প্লাষ্টিক থৌরিনা য়াল্লগা শিরম্বনি। সঙ্গিতাগী মঙকশমদা থৌরিগুম্বা পোৎনা লাকহৎখিবগী মফম লৈ, মরৈ তিংথোক্লম্মী অমদি মকোক্তা থোম্বগী মফমসু তারম্মী

থৌদোক থোকফমদগী পুলিসনা য়োৎপাক, য়োৎচৈ, প্লাষ্টিক ষ্টুল অমসুং প্লাষ্টিক থৌরি অমমম ফংখি। থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, মঙাশুবা আই আর বিগী পর্সনেল শাদোকপম রোমান্ত এলিয়জ ইনাওবা (৩৫) অপোকপা গৌরমনিগা সঙ্গিতাগা লুহোংদুনা মচানুপী অনী অমদি মচানুপা অমা লৈরে।

রোমান্তনা এঞ্জেলি কৌবী নোর্থ এ ও সীদগী অতোপ্পা নুপী অমা পুশিল্লকপদগী সঙ্গিতা লৈকায় অদুমক্তদা (ঘড়ী অৱাং লৈকায়) লৈবা মপামগী ময়ূমদা চহী অমরোম হল্লুরে। হাপ্তা অমরোমগী মমাঙদগী নুপী অনীমক যূম অদুদা লৈরকখি। রোমান্ত অমসুং অনীশুবা নুপী এঞ্জেলিনা সঙ্গিতাবু ওৎ নৈবগী থৌওং লৈকায়গী মীয়াম্না তোয়না উখি। ইমুং অসি তোয়না খৎনখি।

ঙরাং অহিংদি খৎনবগী মখোল অমত্তা তাখিদে। অদুবু অয়ূক অঙনবদা সঙ্গিতা শিরগা লৈরম্বনি। হাত্তোক্লগা য়ানশিল্লিব্রা নৎত্রগা মশা মতোমতা শিজরিব্রা হায়বা খঙদোক্লবা লম্ফেল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা অশিবা হকচাং রিমস মোর্গতা থমখ্রে।

মীয়াম্না সঙ্গিতা শিবগী পাউ তাদ্রিঙৈ রোমান্ত, এঞ্জেলি অমদি চহী অমগা মখায়রোমদা ঙাইরিবা মখোয়গী মচানুপা পুরগা চেল্লম্লে। অদুবু লম্ফেল পুলিসনা মখোয় অনী ফারগা মচানুপাবুনা মরী মতাদা শিন্নখ্রে। সঙ্গিতানা হুন্দোক্লম্বা মচানুপী অনীগা মচানুপাগদি ময়ূমদা লৈহৌরে হায়রি।

অমরোমদা, থৌদোক অদু য়ানীংদবা উত্তুনা লৈকায়গী মীয়াম্না ঈরাং হৌরকখি অদুবু পুলিসনা ফাদখি। মীয়ামগী মীফম অমনা রোমান্ত, এঞ্জেলি অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংনা সঙ্গিতা হাৎপনি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা লৈকায়দগী তাম্থোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে।

লৈখিদ্রবীগী মচাশিংদা রোমান্তগী ইঙ্খোল অসি মমিং পানবা অমদি থবক্তগী থদৎপা লোয়ননা মপুন্সি চূপ্পা ফাদোক পীগদবনি হায়নসু মীফম অদুনা তকশিনখি।

অমরোমদা, মচানুপাগী শষ্টি পুজাগী পোৎ লৈবা চৎখিবা নুপা অমা ইম্ফাল তুরেল খোংনুং মীনুথোং মনাক্তা ঙসি অয়ূক চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা শিনা ফংলে। পুলিসকী পাউনা হায়, কৈশাম্পাৎ কাঙবম লৈকায়দগী অচোম প্রদিপ মৈতৈ (৩৪) অয়ূক পুং ১০ রোম তাবদা শিনা ফংবনি।

মঙকশমদা লাকহৎখিবগী মফম তারম্মী, নাহী তারম্মী, অতৈ অশোক অপন থেংনদে। মহাক সনা শাবা মীওইনি। ইমুং মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্নদি প্রদিপ মরিশুবা মচানুপাগী শষ্টি পুজা (ঙরাং পাঙথোকখ্রবা) গী পোৎ লৈগনি হায়না মীওই অহুমগা লোয়ননা লুপা লিশীং মঙা পুরগা অয়ূক থোকখিবনি।

স্কুটর অনীদা মখোয় মরি চৎখিবগী মনুংদা লৈকায়গী মমান্নবা অনীদি শা লৈরগা হল্লকখি। কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়দগী জেনেটকা প্রদিপকা পোৎ লৈনবা লৈহৌখি।

হট্টাদা লৈবা যূম অমদা চঙখি হায়না জেনেটনা তম্বদগী থিনরুবদা লৈরমদবগী মথক্তা মশাগী মোবাইল ফোনসু স্বিটচ ওফ লৈখি হায়না মখা তারক্লি। লৈখিদ্রবগী হকচাং রিমসতা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরগা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে।

অতোপ্পা পাউ অমনা, থা অসিগী হৌখিবা ১৮গী অয়ূক্তা বি টি রোদতা লৈবা শর্ম্মা ওপটিকেল মনাক্তা শিনা ফংখিবা মীওই অদু মশক খঙদ্রি। হয়েং নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মনুংদা ক্লেম তৌরদ্রবদি দিস্পোজ তৌরগনি হায়না সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।